

"হূরানবা মশক খঙদ্রবদি মপুনা নরক তাই।"
- *শীতলজিৎ*
*(থাদোকপা)*

# শৈরেং

## অঙাং ওইরিঙৈ
**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

শুমাং মতোন্দা তুমিন্না লেপলৈ
তুমিন অঙাওবা,
মাগী মঞ্জুনরবা
খাও অদু পায়রদুনা।
কনাদসু করিসু হায়দে
তুমিন্না লেপ্লবা অদুতনি,
খঙই মহাক্না করি পাল্লিবা।
ইমুংদা তুমিন্না চঙখি
চেঙফুদগী চেঙ লৌথোক্লুই
মঞ্জুনরবা খাও অদো
হাংদোরক্কনি।
চেঙগী মমল পীরমগনি
নয়া পৈশা মঙা নৎত্রগা তরা
লোইরে।
তুমিন্না চৎখিনি
তুমিন অঙাওবা
কনাদসু করিসু হায়রমলোই
নয়া পৈশা ৫, ১০ অদুনা
লৈরুগনি দুকান্দগী ঙামোক।

## ঈচেল্লক্তগী অথোয়বা
**—এম নিলাকুমারি**

তুংইন্নরক্লি ইনোৎ হাপ্লী
অরাপ-অনক খাইদনা
মালং ইপোমগী শাহুমনি
ঈ-পাউগী খুদোলনি,
মিৎ-নাকোং য়াকায়হনবা
অৱাবসু নুংঙাইবনি
নুংঙাইবসু অৱাবনি
শিংথাবতনা ৱাৎলগদবা
"ওল ইন্দিয়া রেদিওগী মপাউ"
হয়িংখোইনা লৈকা খুদিংদগী
খোমজিল্লকপা লৈহিনি-খোইহিনি হায়সিরা?
মতমগী মমল শকখঙননা
শৈরোন কয়া নুংশিগী পাল্কবা;
হিদেন্নী হি হোল্লিবা।
থৌবাংলিবনি লৈশি লৈথোন্নদুনা
পান্থীনি অমুনবা উহৈনা নোন্থ-নোন্থ য়ান্থরিবা।
কাউহন্দবনা চৎনবীনি
নীংশিংহনবনা হৈনবীনি।
অহৌবগী অরোইবনি,
অরোইবগী চেন্থোরকপনি - পান্মু পান্মুনা
করম্নবু শৈশক্কনি শৈথাগনি
মগুণনি মগুণনি
খোংজেল য়াঙনা পাইরকপা
মালংগী ফৌরোই তুং ইন্ননা
ঈচেলনি য়াঙনা চেন্থরিবা
অমত্তা ঙাইরবা 'ওল ইন্দিয়া রেদিও'

## শানা কৈনা মচেৎ মচেৎ
**—ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্ম**

চহীনা খরা য়ামখৎলক
অচুম্বসু খরা মপামলক
পাঙ্গলসু ময়েং মতারক
খন্থখি ঐনা পুন্সিগীদমক।
ইচা ইশুগী দাবী খোল্লাউ
লায়রবগী চৈনা ফংলকান
মতমগী অওনবা চকসিদা
পৈশা লৈতনা হিংবদি য়াদ্রি।
পৈশা তান্নবা শক্তিদুসু
মৱাৎশল্লক্লে মতম অসিদা
শোল্লে ৱাৎলে খঙলকপদা ঐবু
মীয়াম্নসু থওইরক্ত্রে ঐবু।
উশিৎলকত্রে তোল্লবা পুন্সিবু
অকনবনা অশোনববু তুহৎপা
খঙলক্লে তশেংনা ঙসিতা
হিংবদা ৱারল্লবদা তোল্লবনা।
শিনীংবদগী খাংঙমদা হু পায়রুই,
ইতুগী ইচাগী ইশুগী পুন্সিদু উরকই
ঐনা লৈত্রবা মতুংদা মখোয়বু
শানা কৈনা মচেৎ মচেৎ চাবিখিগদ্রা?
শানা কৈনা মচেৎ মচেৎ চাবিখিগদ্রা?

## পুন্সি
**—এন কে সিংহ**

নীংশিংলকই ঐনা মতমদো,
নহা ওইরিঙৈ মতম।
তৌগে খল্লকপা থবক,
তৌরমদনা খক তোল্লক্তে।
ঙমগনি খল্লমই চীং ফাওবা,
ফুল্লগা সমুদ্র ইয়াইদা,
লংথগে খল্লমই ঐহাক্না।
ঐগী হকচাং কয়াৎশিং,
হংলকই ঐঙোন্দা নোল্লুক্না,
'করি তৌজৌ' হায়না।
তমথীরবা শা-ঙা ফাওবা,
মমাই লৈদুনা চেন্নরমই।
ওন্থোকপা হায়বদুনি মতমদো,
মতমদো কাউঙমদনা হৌখরে।
অহল ওইশিল্লক্লে হৌজিক,
হকচাং কয়াৎ পূন্নমক,
ৱা-তানৈ লোন্না-লোন্না।
তৌসি হায়বা ৱাফম,
তাবিদ্রে কনা অমত্তনা,
তৌসি হায়বা থবক,
য়াবিদ্রে কনা অমত্তনা।
হায়রু-হায়রুবা খুদিংমক,
অরেম্বা তারে পূন্নমক।
ইনবিদ্রে ঐনা হায়বা,
হে বিধি নোংদম্বা।
ঐনা পাঙ্গল কল্লিঙৈ,
সনা, লুপানা খোঙনেৎরিঙৈ,
ইনবি ঐগী ইতুং।

পাঙ্গল মানা শোল্লবা,
ইরোন ইরাং তাল্লবা
কনা লৈ ইতেং।
হে বিধি নোংদম্বা
পুন্সি হায়সি করিনো?
অৱা নুংঙাই পুল্লগা
পুন্সি হায়না কৌবরা?

## শেল
**—লাইফ্রাকপম বীরমনি মৈতৈ**

থিবদা নঙবু শেল
মাঙখ্রে মীওই কয়া,
অহিং নুংথিল ফংনবা
হোৎনরি কয়া মীওই।
    লৈরবা নঙবু শেল
    হিংঙি কয়া মীওই,
    পায়রবা নঙবু শেল
    লাউরি পাঙ্গল লৈবাকশিং।
লৈরবা নঙবু কিদে
লৈ চাউবা মীনুংশি,
পায়রবা নঙবু শেল
খন্দে, মীওইনা মীনা।
    নতিক নঙগী শোন
    নয়াই পাঙ্গল অঙকপনি,
    পাল্লি নমায় অনী
    ওইরিবা অফবা ফত্তবা।
লৈবা লৈতবা লৌশিং
তাই ঙাঙবা মানা,
পায়দ্রবা নঙবু শেল
তাদ্রে ঙাঙলসু অচুম্বা
    নঙদি হৌরকফম অফবগী
    হৌরকফম ফত্তবগী নঙদি,
    ঙমদে শেন্নবা কনানসু
    তূমখ্রনি মালেম নশুংলাংগী।

## মীকপ থোক্লো মপারি
**—সুশমিতা চুংখাম**

অপোকপী পলেমবু নাথৈরম
য়েক্নবগী পাঙ্খক ওইহনলম
খাঙুথক্কী লৈরাং মশুংলাংগী
শমু পাঙ্গল থোক্লক্লে
করি ময়াইবু চেনবনো?
অকাউ পরৈ চনখ্রবরা মপারি
পলেম মহাক্কী ৱাজমন
নথমোয় খুদুম চনখ্রবরা
পাংদবগী মতৌ উৎপদি
তাইবঙ ৱাখল তাদ্রবরা নহাকপু
হৈনা খোঙথাং তন্থীরকখিবী
অপোকপা পলেম্বু নাথৈবদি।
মীকপ থোক্লো মপারি
তাওদুনা লৈরগসু মিত্রংগী ঈপাক্তা
নীংঙমদা মৈরিনা মৈৱাইদ্রিঙৈ
পলেমগী মীৎলু তৈথোক্লো
পোকপীমল করিনা শিংসিগে
খলহৌরো।

## হে লম্বী চৎপা
**—খাইদেম বোরসিংহ**

মখল মখা কয়াগী
শক্তম লাঙদুনা
চৎলি লম্বীসিদা
নঙনা মানা মহাক্না।
ঐগী ৱাখলনা মাঙওইনা
অফ-ফত্ত য়েংদনা
অচুম-অরান খঙদনা
ঐনি ৱাখল মতাগুম
অশোন-অনা য়েংদবা
করি মতৌনো শাফবা?
খূৎতা খূৎলায় য়াওদ্রসু
মৈনম মৈরা পায়দ্রসু
হুমাং ইরিক শিন্থনা
চৎলিবসে নঙগুম্বনি।
নঙনা ঙাথ থেংথরম্বা
হৌগৎ কাংখৎ ঙমদ্রিবা
নঙসু মাসু অমতনি
য়ৌরুগদবনি মফমদুদা;
অমম্বনি খঙদ্রবা
অঙানবনি উদ্রবা
লমদমদুদা শোইদনা।

## ইমা ইপানরা
**— মনি থৌদাম**

ঐগী পুন্সিদি
ৱাহংগী ৱাহং ঙাক্তনি।
তাইবঙ লৈরাং লৈকোলনি,
মনীং থুংবদি ঙমজহৌদ্রবা,
শাৎলিবা নিংথিবা কয়াগুম।
ইনিং তম্না শাৎচবা ঙমদা,
তাইবঙ শিন্থাদি পাংলক,
লাইবকসিদা, শিনি ৱাহং
কনানা ঐগী ইহুৎ শিন্না
খুন্বীনি পাউখুম,
খুন্বা ৱাই, খুন্বা ঙম্মোই
কনানা মতেং পাংবীগনি
ঙহাক্কী লৈতেংগী ৱাহৈনি
চীনবালগী খোঞ্জেলনি নুংশিবা।
ৱাহংগী ৱাহং ঙাক্তনি।
পুকনুংদগী শোয়নাইরবা ঐ,
লেংবা খোৎপা ঙমদ্রবা
মপু মাগী খূৎশেম ওই,
তাইবঙ হংঙা মঙফাওনা।
খুল্লকখি পাউখুম অমা
লোন্না, অহাংবা অমম্বদা
ইমা ইপানরা?
ঐগী ৱাহং।

# শংবান্নবা নাচোম
## (The Blue Bouquet)

**- ওক্তাভিও পাজ**

ঐনা হৌগৎলকপদা ইশাসি হুমাংনা পুমচোৎ চোৎলম্মী। ঐগী কাগী লৈমায় অদুসু হৌজিক্তা অনৌবা ঈশিংনা তৈথোক্লল্লি, অদুনা থারিবা অঙাঙবা টাইলস অদুদগী মনিল কারল্লি। মৈরাম্বী অমসু থাল্লিবা কাদুগী করিমত্তা খন্দনা ইলেক্ট্রিক বল্ব অদুগী মৈঙান্দা উরু-উরু পাইদুনা লৈরি। ঐ ফমুংদগী কূমথরে, অদুগা য়াম্না চেকশিন্না খোঙদা করিমতা তোংদনা কাদু লান্না চৎলি, মরমদি করিগুম্বা বৃশ্চিক হায়বা তিলদু মকোন্দগী থোক্তুনা লৈমায়গী অঙৈংবা পাম্বদগী চৎলন্নবদি নেৎলুরদি শোয়গদৌরিবনি। ঐ থোঙনাও ময়াদা ঙাইহাক লেপ্লুই, লৌবুক্তগী শীৎলকপা অঙৈংবা নুংশিৎতু ঙাইহাক মায়োক্লনীংদুনা, অদুগা নুমিদাংদুগী অচিকপগী মখোল অদু তানীংদুনা। অদুদগী ঐ খূৎশা হামফমদা চৎলি, ঈশিং খরা এনামেল বেসিন অদুদা হৈদুনা মায় তাথোক্লে, ফদি অমা চোৎহন্দুনা থবাক, খোঙ তৈথোক্লে, অদুগা ঙাইহাক অমুক কংহল্লে। অদুগা ঐ ফি শেৎচিন্দুনা লোইশিল্লে, শেৎত্রিঙৈদনা করিগুম্বা ফুরিৎকী ঙকনাদা করিদা মা নপ্পরা হায়দুনা য়েংথোকই। অদুদগী অদুম ঐ অশংবা মচু শঙবা, হোটেলগী কূমথনবা থাক থাক অদুদা, চেনচৎতা কূমথরক্লে, অদুগা থোঙজিন্দা ফল্লিবা হোটেল চৌকিদার অদুগা মায়োক্লরুরে। মহাক্তু মমিৎ নাম্মদি তাঙঙে, ইশুক শুকপা, ৱা ঙাঙগন্দবা মীশকনি, মহাক থোঙজিন্দুদা চুমথাঙ পাম্বীনা শাবা চৌক্রি অমদা ফল্লি, চুরুট চিংলদুনা, মমিৎতু উইরি উইরি তৌরদুনা।

মহাক্তুনা ঐঙোন্দা অউইবা মমিৎতুনা মুন্না য়েংলকই, অদুগা চগন্ননা হংলকই :

- "কদায়দা চৎকদৌরিনো, অহল!"

- "অশ্বাইফাওবদা চৎথোক্কে । কাদা লৈবসি শাবনা লোইরে।"

- "অদো হৌজিক্তি থোঙ লোইনা লোন্নখ্রে। ঐখোয় স্বাইগীদি লম্বীগী মৈসু থান্দে। অদোম চখোক্তবনা ফৈদা।"

ঐনা লেংজুম শুক্কৎলম্মী, অদুগা ঙংলম্মী : "ঐ থুনা হল্লক্কনি।" অদু হায়রল্লগা ঐ থোক্লক্লে, অদুম অমম্বা মরক্তুদা। মানা হায়গুমদনা লম্বীদু পূম্মম্লি, করি অমতা উদ্রে। অদুবু মা মাদুনা নূংপাক থাবা লম্বী অদুদা চৎলুই। ঐ চুরুট অমা চমখৎলি। অদুবু থা ফাওবদি লৈচিল মপৈ অমগী মরুমদগী লিৎথোক্লক্লে, অদুনা মঙালনা মাঙদা লৈবা নোংখাঙ চাইরবা অঙৌবা চেকপল অমদা য়ৈররে। মঙাল অদুনা থক্তোক্লক্তুনা মিৎতা য়ৈবদা ঐ চৎপা য়াদদুনা চপ লেপ্পী। নুংশিৎসু খরা খরা লেঙলি, অদুনা মনাক নকপদা হৌবা মঙ্গে পাম্বীগী মনম ফাওরকই। নুমিদাংদু মখোল থোকই, উনা, উশা লেঙবগী, তিন-কাঙ পাইবগী। হারৌ, হরিনোংনাংশিংনা অৱাংবা নাপী শিংনা মরক্তা অহিং লেকখ্রে। ঐনা য়েং-খৎপদা উই, হৌজিক্তা থৱান্মীচাক মপৈ মপৈ থোক্লক্লে। ঙাইহাক্তুদা ঐনা খল্লুই - তাইবঙপান অসিদি লোইনা মরী লৈনবা জাৎনি। পোৎ খুদিংমক লোইনা পাউ ইফাও ফাওনবা জাৎনি। ঐনা চৎলিবা, হারৌনা খোংলিবা, থৱান্মীচাক্না মমিৎ কূপ্লিবা, পূম্নমক অসি ৱাহৈ পরেং অমখক্তগী কমা, সেমিকলন ঙাক্তনি, সিলেবল অমমমনি, অচৌবা ৱাঙাঙ অমগী মতেক ঙাক্তনি। ঐ ইশামক পদ অমনি, ৱাহৈ অমখক্তগী। অদুবু ৱাহৈ অদু করিনো? কনানা ঙাঙলিবনো? অদুগা কনাদা ঙাঙলিবনো? খন্না খন্না ঐ চুরুট অদু নাকলদা মথী কন্থোকই। অদুদগী ঐ ঙানখ্রবা মৈঙাল অমগা মায়োক্লে, ঙানখ্রে ধুমকেতু অমনা তারকপগী মঙালদুমক্লি।

ঐ চৎপদি লেপ্তে, অদুম চৎলি। ঐ করিসু কিরুদে, মরমদি ঐ অসি অদুগুম্বা তাইবঙবু ৱাহৈ অমনা পুল্লিবা, অচৌবা চিন অদুনা তশেং-তশেংনা ঙাঙলিবা, হরাওনা ঙাঙলিবা অমখক্লি। নুমিদাং অসিদি মিৎশিংগী লৈকোলনি।

অদুদগী ঐ সড়ক অমা লান্থোক্লে। তাঞ্জাদুদা ঐনা থোঙ্গাল অমদগী করিগুম্বা অমা থোক্লকখিবগুম উখি। ঐনা লৈদুনা য়েংঙি, অদুবু করি অমত্তদি উদে। ঐ খোঙথাং কনখৎলি। মিৎকুপ অমগী মনুংদা লুম্বু লুম্বু শাবা নূং মথক্তা মখোঙ চিংদুনা লাকপগী মখোল তায়। ঐ হন্না য়েংনীংলুদ্রে, অদুবু মমি অমনদি ঐবু ফাদৌগী তৌরকপদি ফাওই। ঐ চেনগে তৌরুই। অদুবু চেনবা ঙমদ্রে। ঐ খংলেপ লেপ্পি।

ঐনা ইশা ঙাকথোকচবা নংদ্রিঙৈদা ছুরি অমগী মতোন্না নঙ্গলদা নম্লকপদু ফাওরকই। অদুগা অমেংবা খোঞ্জেল অমনা হায়রকই :

- "লেঙগনু অহল, নৎত্রবদি শিজনি।"

ঙক্তি লৈথোক্তনা ঐনা হংখি :

- "নঙনা পাল্লিবসি করিনো?"

"নঙগী মিৎশিংদুনি, অহল!"

মাগী ৱাহৈ, ৱাঙাঙদু অসুক্কী মতিক মেঙখ্রে, ঐ তৌফম খঙখিদে।

- "ঐ মিৎশিং? ঐগী মিৎশিং লৌরগা নঙ করি কান্ননি? সে, ঐগী পৈশা খরা য়াওরি। য়ামদি য়ামদ্রে। অদুবু অয়াওবসি লোইনা পীরগে, নঙনা ঐবু থাদোক্কনি হায়রবদি। ঐবুদি হাৎকনু।"

- "পাখৎকনু, অহল, ঐ নঙবু হাৎপদি হাৎলোই। নঙগী মিৎশিংদু পাম্বগী ৱানি।"

- "অদু করিগীনো হায়বা মিৎশিংসিবু?"

- "ঐগী চান্নবীগী অপাম্বা থুংনবনি। নহাক্না পামজৈ হায় শংবান্নবা মীৎকী নাচোম অমতং। অদুবু মফম অশ্বাইসিদা শংবান্নবা মিৎ ইফং ফংদ্রি।"

- "অদু ওইরবরদি ঐগীসিদি নঙোন্দা কান্নররোই। ঐগী মিৎ শংবান্নদে। অনীমক ৱাউথাংনৈ।"

- "নত্তে, অহল, ঐবু অপঙবা শীগনু। ঐ খঙই, নঙগীদু শংবান্নে।"

- "অদুবু হায়বা, নঙ ঐ খৃষ্টান ঙাক্তনি, ইবুংঙো! নঙনা ঐগী মিৎ কোৎথোকপা হৌনদে। ঐনা হায়রেদনা, ঐগী অয়াওবা লোইনা লৌহৌরো হায়না।"

- "অদুম্না ৱা পেৎকনু। নমায় লৈথোক্লকউ।" হন্দক্তি নুপাদুগী খোলদু কল্লি।

ঐ মায় লৈথোকই। মাদি নেম্মী, মশাসু পায়। কোনা মনাগী টুপী নাপাকপী অমনা মমায়দু তঙ্খায় খল্লি। মখূৎ য়েৎনা ছুরি অশাংবা অমা পায়রি। থাবলদুদা ইরং লংনা অদুম উরে।

- "মৈখেৎ অমা খেৎলকউ, নমায়দা।"

ঐনা মৈখেৎ মরূ অমা খেৎলি, মায়দা থাঙ্গৎলি। মৈরিদু মিৎ ময়াদা পুশিল্লি। মৈঙান্দুনা মিৎ উইশিল্লপ তৌখি। অদুনা মানা মখূৎনা ঐগী মিৎকী পা চিংখৎলি। মহাক্না নেম্বনা মুন্না উবা ফংদ্রে। অদুনা মহাক খুনীং কাঙখৎলকই। মৈখেৎ মরূদুনা খূৎ চাক্তৌরদুনা ঐনা লংথোকখ্রে। মহাক ঙাইহাক তুমিন্না লৈখি।

- "নঙ থাজরবরা? ঐগীদি শংবান্নদবনি।"

- "নঙ অশিংবা অহলনি। য়ারোই, মৈখৎ অমগা খেৎলকউ।"

নুপাদুনা মখা তারকই।

ঐ মৈখেৎ অমমুক খেৎলি। মিৎ ময়া নক্না পায়খৎলি। মানা ঐগী খুদাং পায়রকই : "খুকউ খুদক কূন্থরকউ।"

ঐ কূন্থরে। মানা ঐগী শম পায়খ্রে, ঙক লোংথেক তৌখ্রে। অদুগা ঐগী মিৎতা চাগদৌগুম মুন্না য়েংলকই। থাঙদোন অদুসু সুম নকশিল্লকই, মিৎপান ফাওবা থেংলকই। ঐ মিৎ উইশিল্লে।

- "নমিৎ পাঙথোকউ' শাউনা লাউরকই, 'লাওনা'। ঐ মিৎ লাওনা পাঙথোকচরে। মৈখেৎকী মৈরিদুনা ঐ পা চাক্কদৌরে। অদুবু মহাক্তু মখূৎ শৎ থাদোকই :

- "শোয়রে, মখোয়সি শংবান্নরমদ্রে। শাউবা য়াদ্রে।"

অদুগা মিৎকুপ্তা শ্বাই মাঙখ্রে।

ঐ পাখৎতুনা চেকপল অদুদা ঙাথরে, মায় খুমদুনা ঙাইহাক লৈরে। অদুদগী ঐ হৌগৎতুনা চেঞ্জরক্লে মী চৎত্রবা লম্বী অদুদা। পুং অমুকপু ফারমগনি।

মমৈথংদা উচিন নাচিন্না ঐনা লৈবা হোটেল অদু য়ৌরে। মতম অদুফাও হোটেল চৌকিদার অদু অদুম থোঙদুদা ফম্লন্লি। ঐ ৱা অমতা ঙাঙলমদনা অদুম চঙলে ঐগী কাদা। হেক নোং ঙানবগা ঐ খুলদু থাদোক্লন্লে।

ইংরাজিদা : লিসান্দর কেম্প
মণিপুরীদা : সলাম তোম্বা
(মেক্সিকোগী ৱারীমচা)

# ওজা চাওবা

ওজা চাওবা এল পি স্কুলগী ওজা ওইরম্মী। নুপীসু খরা থেংনা থি। মচা অনীখক্তনি। মচানুপা অহল মালেমঙানবা মপান্দা লাইরিক তম্বা থাই। ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা হৈরগা হল্লক্লে, মচানুপা মালেমঙানবগী হাক্তক্তা মরন মথুম তুম্মে লৈরিবা য়ূমফমদুফাওবা বনধাননি। মচানুপী লেম্বী চনুসু হাইফেৎ শিংঙি ক্লাস টেন পরিক্ষা হায়দোক্তরি। মপাবুংগী পেন্সন ফংখিবগী মমি উবদা ময়ূম শৎ পানখি, ওজা চাওবগী নুপী থম্বাল মপামদা নিবা চৎপা ইকাইরবীনি। ওজা চাওবা ওজাগী শিনফমদগী পোত্থারবা মতুং অতৈ শিনফম হৈতে, লৈকায়গী চা হোটেলদা পাউচে লেম্না পাবা নত্তনা, ইমুংগী লৈত-লায়রগী মৈশা মরক্তা চুরুট, য়ুসু ফজনা থকপা হৈরে। ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কীদি পুথোক্লবা শেল লৈত্রবসু খরা ইকায়জরবসু মরুপ ৱাক্তবজাৎনি নুংতি নুমিৎ খুদিং থকই।

ওজা চাওবা নুংতিগী মতৌগুম নুমিদাংৱাইরম থোঙ্গালদা থোকই। ফনা কুইনা ঙাই। খঙন-চান্নবা কনা কনা লাক্কে হায়দুনা। লাকমল্লক্তবদুদা থোংখোঙ ফাওবা চখোক্লুরগা হল্লকই। হল্লকপগী লম্বীদা ঐজ্জা মনিহার, তোমচৌ থেংনরে, তান চারে খঞ্জরুই। অদুবু লেম্না থক চাবা য়াওগদৌরিবনি খঙদনা ৱামাঙ য়াল্লকই মনিহারনা,

- তোমচৌ ইবানি খরা লাপ্না থবক অমা চখোক্লুখিগে চাওবা।

- হোয় হোয় চৎথোক্লুরো ঐসু হকচাং কয়া নুংঙাইতে য়ূম চঙলনি খুম্মী।

ওজা চাওবা ময়ূমদা হঞ্জিল্লক্লগা মাগী নুপী থম্বালদা

- থম্বাল নঙগী থমজিনজবা শেল লৈ লাকপরা...? লৈরদি লুপা ৩০/৪০ খক্তা পীরকউ।

ওজা চাওবগী ৱা হায়বা লোইফাৎত্রিঙৈদা থম্বাল খোন কল্লপনা...

- কদাইদগী শেলনো হোরেল নিশাবনগী মরুপ পুখৎনীংঙাই লুপা ৫০ লৈত্রি।

থম্বালগী ৱাদু তাবদা ওজা চাওবা চুরুট অমা চল্লগা অমুক কোন্থোংদা থোকখ্রে। থম্বাল মখা তানা মুরুম-মুরুম শোলহৌই...

- মপাসু মচাসু চপ মানৈ। ইঙ্খোল মচেৎ অসিফাওবা কোয়নী খঙদে ঐ নৎত্রদি, মল্লিবা হঙ্গাম অসিসু চারোয়, তাশিন্নদা শান্না অমুক চৎখ্রিসে, হো নুমিৎ তারে লমজাওদা কনাসু থেংনররোই। শাউজরবসু শাউনা থম্বাল অততাইনি ইমুংদুদা, ঙাঙনা ঙাঙনা ইমুংগী কুপনোম পূম্বা লোইশিন্দুনা নুমিদাংগী চাক ঈশিং থোঙ্গৎখ্রে। ঈশৈ ঙংলা ঙংলদুনা মচা নুপা মালেমঙানবা চঙলকই,

- ইমা করি এঞ্জাং থোংঙি

- মমানা - হঙ্গাম

মচানা - অস...

অস হায়দি করি, চানীং চানীংবদু পুশিল্লকউ, শিকিসু থোক্তনা তুকা তুকী থিনু নমান নমান্নবা পূম্বা মশিন অমমম পাল্লি নুপী অঙাং লোইনা লৈনরে নঙনা নুপী থিবসু খঙদা, নখোয় নপা নচানা য়ুরেম থক্তনা লৈ। নখোয়নিগী য়ুচাক হুনবগা চাখুম পুনবা হোৎনবদা ঐদি ফদি শারে, হৌজিক থোংলিবা চেঙ অসিসু লাইজি থুংদ্রিবা ফিসে মীঙোন্দগী শেল হান্না লৌরগনি খঙবরা। মমাগী মওং খঙবনা মালেমঙানবা ৱা মখা তাদে তুমিন্না লৈ।

ঙহাক লৈরগা ওজা চাওবা চঙলকই। করিমতা থকচিন চাশিনদনা চঙলকপদুদা থম্বাল ঈশৌ লাংলম্বা খঙনেম নেমথখি, তৌবগীদি ওজা চাওবদু ৱাখল তাবগী নত্তে, পাম্বৈ লৈতবগী ৱাখল তাবনি। মফি মরোল হোংদোক্তুনা চাকশঙদা চঙলকই,

- চাক লোইরবরা...?

- লোইরে... লোইরে থিরগে

থম্বাল চাক থিনা থিনা খল্লি অসুম্না মপা মচা অনীমক ৱাখল তাবা নুমিৎসিবু...।

- সে - সে সিদা লৈরে মালেম নঙগীসু, সে ঈশিংসু শিদা লৈরে নপাদা খুজাইসি লানখো।

ওজা চাওবা চাক চানা চানা - থম্বাল,

- করি হায়গে

- নঙগীসিবু মোরোক্কা অমত্তা মেৎত্রবরা?

- ঙারি লোইথোকখ্রে, মোরোক কাহলকউরা...?

- উম অমা অনীদা...

- ইমা ঐগীসু অমত্তা...

মোরোক লৌনা লৌনা - ইচা লেম্বীদো থা শুজিল্লক্লে চাক অমুক্তংদি কৌহৌসি...

- খুন্বুদি খুম্মী 'হোয়'

চাক চানা চানা ওজা চাওবা ঙসাই ঐজ্জা মনিহারগী ৱাঙদুদা মথৱায় খরা নুংঙাইখিদ্রমাল্লে, তৌবগীদি ঐজ্জা মনিহারনা করেম কথাইনবসি হৌজা হৌজা খরা তোয়রে। ওজা চাওবা মচাদা ওনশিন্দুনা হায়রকই

- মালেম থোঙ্গাল ময়া অসিদা কা অনীদংগী শাদোক্লসি দুকান মচা অমা ফম্নবা তৌসি,

- হোয় পাবুং ঐসু খল্লিবনি।

তৌবগীদি মালেমঙানবসু হান্নগুম ঙাওবদি নৎত্রে, থম্বালনা মরক থৎনা হায়রকই,

- কদায়দগী পৈশানা...?

চাকচা তোকপগী মখূৎ হাম্বা থোক্লা থোক্লা খুল্লকখি

- ঐগী পেন্সন বুকতো বনধান থমদোক্লগা লোইরে।

- নখোয় নপা নচাগী বনধানগী হৈনবীসিদি। থম্বাল চাকখুমগী শিৎতোক শেংদোক, কোল লীক ফেংনা ফেংনা খল্লি। মপা মচানা হায়নরিবা অসিমক্তবু পাঙথোক্লবদি খরদি শাফরনি, চাক তোক্লবনিনা মহৈ-মহৈ ফমুংদা চঙনরবা মতমনি। পুং ১০ খজিক হেনখ্রে, তূম্বা য়াদদনা ওজা চাওবদো ফমুংদা য়েৎ ওই য়াওন্দুনা লৈরি, কোন্থোংদগী লৈকায়গী নহা অমা কৌরকই

- হো ওজা চাওবা... হো ওজা চাওবা তারবো। মমাঙগী তাদা মঙ্গিদো হৌজিক পুথোক্কনি হায়রে খরা য়াওরুসে অহল ইয়াও য়াওদে।

কনানো কৌরিসে হায়না তারম্বদগী।

- ইহে: সরাংথেম মঙ্গি লৈত্রবা! তারিবরা থম্বাল... থম্বাল

- করি হায়গে...?

- হায় মঙ্গিদো লৈত্রেনে ঐ ঙহাক্তং কুম্লুখিগে লেংয়ান অমত্তা পীরকউ।

- হোরেন থেঙলনি হয়েং ওইনা নোংঙাল্লগা হংবা ওইনা চৎপীরোদনা।

- কুইরোয় ঙহাক্তংনি, মনীং মমাং লৈমিন্নরগবু, কদায় ফিদো।

- পঙকুইদি কুইরক্লনু ঈশিং শাহল্লমগে।

হোয় হোয় হায়রল্লগা ওজা চাওবা চুরুট অমা চল্লগা কোন্থোং লোমদা থোকখি। কোন্থোং য়ৌশিল্লকপদা পুথোরকপা মায়োক্লরে চৎমিন্নবা য়াবা কনা য়াওরি য়েংলকপদা মনীংৱাইদা অহল অহুম মরি য়াওরে, নহাদা বসন্তসু,

- বসন্ত নহাক্লা কৌরকলিদো...?

- হোয় ওজা ঐনি।

চৎনা চৎনা ৱারী শাই।

- করমহাইনা তৌরিনো বসন্ত, ঙসাই অয়ূক হোটেলদা চা থকমিন্নরম্বনি।

- ঐদি মমুৎ তানা খঙদে বি পি ষ্ট্রোকনি হায়। হোস্পিটাল য়ৌবদা য়াররোই পুথরো হায়না অদুম পুথরক্লমালে ওজা।

- হোয়দা লাইনা লেপলৌ লৌবা হায়দুনি, চৎচখ্রবসু য়ারে মাগীদি মচাশিংসু লোয়না শেম্বা লাইরল্লে। ৱারী শানা শানা তোর্ব্বান মং য়ৌরক্লে, মপানগী থবকসু শেম শাবা লোইরল্লে । অহলদি ইয়াও য়াওরমদে। সিদসু নিংথম থাগী নুমিদাং ওইবগা তোমচৌদি য়াওরম্মী। ওজা চাওবনা হান্না কৌই।

- তোমচৌ নঙসু য়াওরল্লিবদা...।

- হোয়: খোন খরা নেল্লপ তৌনা...

ইমুং মনুং, মচা-মশু মৈ কোয়বা লোইদুনা কাখৎনবা হৌরে, মঙ্গীগী মচানুপা মোইরাংজাও চৎনবা থোরকই, ওজা চাওবনা খাম্মী।

- ঙাইখো ঙাইখো মোইরাংচাও, হুমাইসে অহুল্লক্তং হুমলম্মু।

মোইরাংজাও হুমাই লৌখৎতুনা হুম্মী,

- য়ারে য়ারে অহল লমন খুরুমগা কাখৎখ্রো, মোইরাংজাও পুং য়ৈবা ঈশৈ শকপা শেল থাদুনা খুরুম্মী অদুগা অহলশিংদসু খুরুল্লগা অসুম্না ...

- ওজা... ওজাখোইনা লোইশিনবা ফাওবদংদি য়াওবীয়ু।

অসি হায়রল্লগা নাকল খরা ওইরপনা ইঙ্গিৎনা বসন্ত কৌখি, বসন্ত চংখি। মোইরাংজাওগী মনাক্তা করিনো খরা জু জা জু হায়নরগা ফিরৈদগী শেল খরা লৌথোক্লগা বসন্তদা পীরল্লগা মোইরাংজাও কাখৎখ্রে। বসন্তসু তুং তাং য়েংলগা খোঙলৈ থুনা মাঙখ্রে। ঙহাক লৈরগা বসন্ত মঙক্তা য়েৎখিবা খুদৈ অরাংবদুনা ময়োম অচৌবা অহুম-মরি মখূৎ নাম্মদনা অমুবা প্লাষ্টিক খাউ অমদা ঈশিং বোট্টল অহুমগা দিসপো গ্লাস খরগা তফিং-তফিং লাকই,

- সে তা তোমচৌ সিদা লৈরে, চানবদি য়াওদ্রে,

তোমচৌনা ময়োমদু লৌশিল্লি,

- এ: কৈদৌয়েগে হৌজিকপু কনাগী দুকান হাংলমদোইনো, য়াওদ্রবসু য়ারে সি ফংলিসিফাও ফরবনি, সে-সে সিনা নখোয় নহাখৈ অশোমদা তৌরুরো...,

অসি হায়রগা বসন্তদা ময়োম অনীগা ঈশিং বোট্টল অনীগা দিসপো গ্লাস খরগা লানখি। বসন্তসু হোয় তাদা হায়রল্লগা খায়রক্লিবা শরুক্তু লৌরগা নহামখৈ লৈরিবা অদোমদা চৎখি, তোমচৌনা লেঙ্গা অহলনখৈ কৌশিল্লি।

- হো চাওবা, কেসো, মোধু লাকও খরা পায়রসে।

মহৈ মহৈ চঙশিন্নরক্লে, ওজা চাওবদি চঙলক্তে, কেসোনা মখা তানা অমুক কৌনরকই।

- লাকও লাকও, ওজা চাওবা কৈদৌরিগে...?

- ঐ চাক চাশিল্লক্লে য়াওজররোইগে, ময়াম অদুম তৌবীরো,

- ঐখোয়সু লোইনা চানরক্লবনি, খরা খরা পায়রগা লোইরে ইংবা ফনবা।

তোয়না কৌশিল্লকপদুদা ওজা চাওবা চঙশিল্লক্তুনা ময়াম মরক্তা ফমথরে, কেশোনা ময়ামদু মথং-মথং হৈ-হৈদুনা লানবা হৌই, রাউন্দ অনী ফাওবদি ৱা থোইনা ঙাঙনরমদে অহুম শুজিল্লকপদগীদি মহৈ-মহৈ ঙাঙনরকএ, তোমচৌসু মরোল লোনবা হৌরকএ।

(...মখা লমায় ৭তা)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।